# ফাইজরগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন য়ু এসকী এফ দি এনা এপ্রুভ তৌখ্রে




ন্যু য়োর্ক, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
ফাইজর অমসুং জর্মন পার্টনর বাইওএনটেক্না পুথোকপা য়ু এসকী অহানবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন চহী ১৬ অমসুং মথক্কী মীওইশিংদা ইমরজেন্সি লায়েংদা শীজিন্নবদা লৈবাক অসিগী রেগ্যুলেটরশিংনা অয়াবা পীখ্রে।

খোঙথাং অসিগা লোয়নন্না চহী অসিগী থা ১১ গী মনুংদা আমেরিকান ৩০০,০০০ রোম শীহনখ্রবা শাথিরবা লায়না লায়চৈ অমা লোইশিনবা ঙম্নবগী লন্বী ফঙখ্রে।

য়ু এস অমসুং মালেমগী ইমুং কয়া শোকহল্লিবা শাথিরবা পেন্দমিক অসি থেংনবদা এফ দি এনা অহানবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ইমরজেন্সিদা শীজিন্নবা য়াহল্লিবা অসি মরু ওইবা খোঙথাং অমা ওইরগনি হায়না য়ু এস ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন (এফ দি এ) গী কমিস্নর ষ্টেফেন হাহননা ইরাই নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

হাহননা ভেক্সিন অদুবু রেকোর্দ ওইবা মওংদা খ্বায়দগী হেন্না থুনা পুথোকপা ওইথোকহনখিবা মালেম পুম্বগী পব্লিক প্রাইভেট কলাবরেসন অমসুং সাইন্টিফিক ইকোভেসনবু থাগৎখি। রেকোর্দ ওইবা মওংদা ভেক্সিন থুনা পুথোকপা ঙমখ্রবা মতুংসিদা য়ু এসসু য়ু কে অমসুং কনাদাগুম্না মীয়ামদা পাক্তক্লনা ভেক্সিন কাপ্পা হৌরগনি।

য়ু এসনা কুমজা ২০২১ গী অঙনবা শরুক্তা শীজিন্নবা য়াগদবা ফাইজর ভেক্সিনগী অহেনবা দোজ মিল্লিয়ন কয়া বুক তৌবা য়াবগী খুদোংচাবা মাঙহনখিবা মরম্না লৈবাক অসিগী অহানবা ফেজ মশিংদা পনখৈ লৈরগনি।

য়ু এসতা শীজিন্নবগীদমক্তা দিসেম্বর লোয়বা ফাওবগী মনুংদা সোট অনীগী ভেক্সিন অসিগী দোজ মিল্লিয়ন ২৫ দেলিভর তৌগনি হায়না ফাইজরগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখ্রে। অহানবা সোটশিং অদু লায়চৎ থেংনবদা মাঙজিন থানা থবক তৌরিবা হেল্থ ক্যের ৱার্করশিং অমসুং নর্সিং হোমদা লৈরিবশিংদা কাপকনি।

শগোলশেন নুমিত্তা পুং মাপন চুপ্না লেপ্তুনা দিবেট তৌনরবা মতুংদা য়ু এসকী হায়-পৱার্দ ভেক্সিন এদভাইজরি পেনেল অমনা ফাইজর বাইওএনটেক্কী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন পাক্তক্লনা শীজিন্ননবগী ৱাফম শৌগৎখিবগা লোয়নন্না মদুগী অরোইবা ৱারেপ এফ দি এদা লৌহনখি। পুং ২৪ গী মনুংদা এফ দি এনা ভেক্সিন অদু এপ্রুভ তৌখি।

ভেক্সিন্স এন্দ রিলেটেদ বাইওলোজিকেল প্রদক্টস এদভাইজরি কম্মিটি (ভি আর পি দি এ সী) না ভোট লৌনবদা মেম্বর ৪ খক্কী মায়োক্তা মেম্বর ১৭ না শৌগত্তুনা ফাইজরগী ভেক্সিন অদু চহী ১৬ অমসুং মথক্কী মীওইশিংদা শীজিন্নবদা খুদোংথিনিঙাই ওইদে হায়না লেপখি। মেম্বর অহুমনা ভেক্সিন অদু চহী ১৮ গী মথক ওইবা মীওইশিংদা শীজিন্নবনা ফগনি হায়না মত পীখি।

# সিরিয়াদা টর্কিনা শৌগৎপা রেবেলশিংগা কর্দিশ ফাইটরশিংগা খূৎ থোক্লখ্রে

দামাসকস, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
সিরিয়াগী রাক্কা প্রোভিন্সতা টর্কিনা শৌগৎপা রেবেলশিংনা কর্দিশ ফাইটরশিংগা খূৎ থোক্লখ্রে। মদু লমদম অদুদা নাকল অনীগী মরক্তা থোক্লক্লিবা খ্বায়দগী নৌবা লাননি।

য়ু কেদা বেজ তৌবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসকী রিপোর্ট পল্লদুনা সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়, ইরাই নুমিত্তা রাক্কাগী অয়িন ইসা টাউনদা টর্কিনা শৌগৎপা রেবেলশিং অদুনা কর্দশিংনা লুচিংবা সিরিয়ন দেমোক্রেটিক ফোর্সেস (এম দি এফ) প্রোজিসনশিংদা নারোন্দগী চঙশিন্নবা হোৎনরুবদগী নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লরকখিবনি হায়রি।

মোনিটর গ্রুপ অদুনা মখ তানা ফোঙদোকখিবদা, টর্কিস ফোর্সশিংনসু অয়িন ইসা মনুংদা লৈরিবা পোজিসনশিংদা সেল কাপশিল্লকখি। সেল অমদি মফম অদুদা লৈরিবা রশিয়ন পোজিসন অমগী মনাক্তা তাশিনখি।

টর্কিনা মিলিটরি কেম্পেইন চত্থরকপা য়াই হায়না কিবদগী হৌখিবা থা অসিদা অয়িন টাউনগী মীওই ৭,০০০ ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখি।

য়ু কেদা বেজ তৌবা ৱাটচদোগ গ্রুপ অসিনা ফোঙদোরকখিবদা মীওই ১১,০০০ লৈবা অয়িন টাউন অসি এস দি এফনা কন্ট্রোল তৌই অমসুং সিরিয়ন অর্মীগী বেজ কয়া টাউন অসিদা লৈ। নবেম্বর ১৯ দা টর্কিনা অয়িন ইসাগী খুঙ্গংগী শরুক্তা বেজ অমা শেমখিবগা লোয়নন্না মফম অদুগী মীওইশিংদা মীপায়বা হেনগৎহনখি।

এম ৪ হায়ৱেনা অলেপ্পো অমসুং হাসাকাহ প্রোভিন্সশিং শম্ন হল্লিবা মফম অমা ওইবনা টাউন অদু ষ্টেটেজিক্কী মীৎয়েংদা য়াম্না মরু ওই হায়না লৌনৈ।

হায়ৱে অসিনা টাউন অসি সিরিয়ন টর্কিস বোর্দরদা লৈবা টাল অবিয়াদ সিটিগসু শম্নহল্লি। ইস্লামিক ষ্টেটকা অকনবা লান শোক্লরপা মতুং কুমজা ২০১৫ দা টাউন অসি এস দি এফনা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসনগী মতেংগা লোয়নন্না পাইশিনখিবনি।

# ইরাননা লৈঙাক্কী মায়োক্তা ঈরাং থোকহনখিবা জর্নেলিষ্ট হাৎখ্রে



টেহরান, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
কুমজা ২০১৭ তা লৈঙাক্কী মায়োক্তা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট তৌখিবদা ঈরাং থোকহন্নবা শিনখিবগী মরালদা কনভিক্ট তৌখ্রবা ইরানগী দিসিডেন্ট জর্নেলিষ্ট রুহোল্লাহ জাম থাংজ নুমিত্তা হাৎখ্রে হায়না ইরানগী ষ্টেট টেলিভিজন্না ফোঙদোকখ্রে।

চহী কয়া মপান্দা লোই ওইনা লৈরুরবা মতুং কুমজা ২০১৯ দা ফাখিবা জর্নেলিষ্ট জামগী শিবগী চৈরাক লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইরানগী সুপ্রিম কোর্টনা শৌগৎখি। মহাক্কী অমাদন্যুজ ফীদকী ফোলোৱর মিল্লিয়ন অমা হেন্না লৈ। ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর সেদা ভাসিমানা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, কাউন্টর রেভোল্যুসনরি অমাদন্যুজ নেটৱার্ককী দিরেক্টর জাম ঙসি অয়ুক থৌরি য়াল্লগা হাৎখ্রে হায়রি।

ইরানগী সুপ্রিম কোর্টকী ৱারোল অদুবু ফ্রান্স অমসুং হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিংনা কন্দেম কৌখি। প্রো-রিফোর্ম সিয়াইট ক্লারিক অমদি মচানুপা জাম ইরান থাদোক্তুনা চেনখি অমসুং ফ্রান্সতা পোলিটিকেলগী চঙজফম পীখি। কুমজা ২০১৯ গী ওক্তোবরদা ইরানগী রিভোল্যুসনরি গর্দস কোরনা নমথাক্কী থৌওং চত্থখিবা অরুবা ইন্টলিজেন্স ওপরেসন অমদা জর্নেলিষ্ট জাম ফারে হায়না লাউথোকখি। ওপরেসন অদু করম্বা মফমদা পাঙথোকখিবগে হায়বদি পনখিদে।

ইরানিয়ন ওফিসলশিংনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, টেহরানগী রিজনেল রাইভেল সাউদি অরবিয়া অমসুং মপান্দা লোই চত্তুনা লৈরিবা লৈঙাকপু য়ানিংদবশিংবু মীয়ামগী ঈরাং হেনগৎহনবগী মরাল শিখি। শেল থুমগী অৱাবা কয়াগী মতাংদা কুমজা ২০১৭ তা হৌখিবা রিজনেল প্রোটেষ্টশিং লৈবাক শিন থুংনা শন্দোরকখি।

ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, মীয়ামগী প্রোটেষ্টশিং অদুদা মীওই ২১ শিখি অমসুং মীওই লীশিং কয়া ফাখি। মীয়ামগী খোঙজং অদু চহী কয়ামুক্কী মনুংদা উংখিবা খ্বায়দগী শাথিবশিংগী মনুংদা অমা ওইখি। মদুগী মতুংদা হৌখিবা চহীদা ফ্যুএলগী মমলশিং হেনগৎপগী মায়োক্তা হেন্না শাথিবা প্রোটেষ্টশিং পাঙথোকখি।

ঈরাং থোকহনবগীদমক্তা জামগী অমাদন্যুজ ফীদ কুমজা ২০১৮ দা মেসেজিং সার্ভিস টেলিগ্রামনা সস্পেন্দ তৌখি, তৌইগুম্বসুং কোন্না অতোপ্পা মিং অমদা অমুক উখি।

# মর্কেলনা লোকদাউন কনশিনবগী মতাংদা জর্মন ষ্টেটশিংগা তান্নরগনি



বর্লিন, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
জর্মনিদা কোরোনা ভাইরস ইনফেক্সন হেনগৎলকপদগী লায়চৎ লাকশিন্নবা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা মায়কৈ কয়াদগী তকশিন্নখিবগা লোয়নন্না লৈবাক অসিগী চান্সলর এঞ্জেলা মর্কেলনা লোকদাউনগী অথিংবশিং কনশিনহনবগী মতাংদা নোংমাইজিং নুমিত্তা ষ্টেট লিদরশিংগা খন্ন নৈনরগনি হায়না হীরম অসিগী মতাংদা নোলেজ লৈবা সোর্ছশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখ্রে।

জর্মনিদা চয়োল তরুক পার্সিএল লোকদাউন লৈরকখি। বারশিং অমসুং রেষ্টোরেন্টশিং থিংখি, তৌইগুম্বসুং দুকানশিং অমসুং স্কুলশিংদি হাংহনখি। লৈবাক অসিগী মফম খরদনা হেন্না কনবা অথিংবশিং চৎনহনখ্রবনি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা খন্ননৈনগদৌরিবা অদুদা দুকানশিং খৃষ্টমাষ্টকী ছুটি মাঙওইননা থিংহনগদ্রা অমসুং করম্বা মতমদা অসিগুম্বা অকনবা খোঙ্থাং লৌখৎকদগে হায়বা য়াওরি হায়না মশক মমিং ফোঙদোক্লীংদবা মীওইশিংনা হায়খি।

ইকনমি মিনিষ্টর পিটর অল্টমাইয়রনা থাংজ নুমিত্তা আর এন দি ন্যুজপেপর গ্রুপ্তা ফোঙদোকখিবদা হোস্পিটালগী ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিটশিং মখা তানা পেসিএন্ট লৌবা ঙম্লক্রে অমসুং জর্মনিনা ফীভম অসিদা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎপদা খৃষ্টমাষ্ট ঙাইবা য়ারোই হায়খি।

করি ফীভমশিং লাক্কদগে হায়বসি ঐখোয়না শেংনা খঙদোকপা চঙই। নৎত্রবদি পেন্দমিক অসি করিমত্তা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লক্লরোই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

য়ুরোপকী ইকনমি খ্বায়দগী চাওবা লৈবাক ওইরিবা জর্মনিনা মার্চ অমসুং এপ্রিলদা লাকখিবা কোরোনা লায়চৎকী অহানবা ৱেভ মনুংদা য়ুরোপকী অতৈ লৈবাকশিংদগী হেন্না মায় পাক্লা লায়চৎ লাকশিনবা ঙমখি। তৌইগুম্বসুং অনীশুবা ৱেভ লাকপা মতমদা লোকদাউনগী অথিংবশিং কোমথোক্লবদগী পেন্দমিক লাকশিনবা ৱাখিবনি হায়খি।

লৈবাক অসিদা নোংমদা থেংনবা কোরোনা ভাইরস ইনফেক্সন মশিং ২৮,৪৩৮ য়ৌখিবগা লোয়নন্না নোংমদা শিবা মী মশিংনা ৪৯৬ য়ৌরে হায়বসি থাংজ নুমিত্তা রোবর্ট কোক ইন্সটিট্যুট (আর কে আই) কী দেটানা উৎখি।

# বেঙ্গলদা নাদ্দাগী কোনভোইদা এটেক তৌখিবগী মতাংদা থিজিন্নবা অমিত শাহনা ওর্দর তৌখ্রে



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
ৱেষ্ট বেঙ্গলদা বি জে পিগী চীফ জে পি নাদ্দাগী কোনভোইদা এটেক তৌখিবগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন অমা চত্থনবা হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ওর্দর তৌখ্রে অমসুং ষ্টেট অদুগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমগী মতাংদা গভর্ণরদগী রিপোর্ট অমা কৌখ্রে।

ৱেষ্ট ৱেঙ্গলদা লো অমত্তা চৎনরক্তবগা লোয়নন্না ষ্টেট অসি ওথোরিটি লৈতবা কাংখোং চাইবগী ফীভম লাক্লে হায়না বি জে পিনা মরাল শিখিবগা ঈরোয়নন্না হোম মিনিষ্ট্রিনা পুং ১২ গী মনুংদা বেঙ্গল এদমিনিষ্ট্রেসনদগী রিপোর্ট অনীসু কৌখি।

বি জে পিগী চীফকী কোনভোই অদু ষ্টেট কেপিটেল কোলকাতাদগী কিলোমিটর ৬০ রোম লাপ্পা মফম অমদা বেঙ্গলগী রুলিং তৃনামুল কোংগ্রেসকী সপোর্টরশিংনি হায়বা মীওইশিংনা এটেক তৌখিবনি। থৌদোক অদু নাদ্দানা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগী মচা থোকপা অভিশেক বেনর্জিগী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি ওইরিবা দাইমন্দ হারবরদা পাঙথোক্লদবা পার্টিগী ৱার্করশিংগী মীফম য়াওবা চৎপদা থোকখিবনি।

খোইরাং খোইশাওরবা নাদ্দানা এটেক অদু মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা থৌদোক্নি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়নন্না বেঙ্গলদা লো অমত্তা চৎনদ্রে, গুন্দা রাজ লৈরে হায়খি।

ঙসি ঐহাক্কী কোনভোইদা এটেক তৌখিবা অসিনা মমতা বেনর্জি অমদি টি এম সীগী ৱাখল্লোন করিনো হায়বসি উৎথোকখ্রে হায়না বি জে পিগী চীফনা প্রেস কনফরেন্স অমদা হায়খি। ৱেষ্ট বেঙ্গলদা তৃনামুল কোংগ্রেসকী লৈঙাক মখাদা গভর্ণমেন্টকী প্রোজেক্টশিং গ্রান্ট পীবা পোলিটিস্যানশিংনা কম্মিসন চাওনা কক্তুনা কট মণিগী চৎনবী লৈ হায়না ফোঙদোকপগা লোয়নন্না বেঙ্গলদা পোলিটিকেল দিবেট অমসুং খন্ন নৈনবগী মফম লৈতে হায়খি।

হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ য়াওনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কয়া অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গভর্ণর জগদীপ ধনখারনন্না এটেক অদু কন্দেম তৌখি। অমরোমদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং তৃনামুল কোংগ্রেসকী সুপ্রিম মমতা বেনর্জিনা এটেক অদু মাঙজৌননা শিন লাংলগা পাঙথোকখিবনি অমসুং মদুদা মহাক্কী পার্টিগী মীওইশিং চেন্নদে হায়না ফোঙদোকখি।

নুমিৎ খুদিংগী মখোয়না (বি জে পিগী এক্টিভিষ্টশিংনা) নোংমৈ পায়রগা রেল্লি পাঙথোক্লি। মখোয়না মথন্তা খূৎপাক্লা থাজরগা তৃনামুল কোংগ্রেসতা মরাল থংজিল্লি। বি এস এফ, সি আর পি এফ, অর্মী, সী আই এস এফকা লোয়নন্না কোয়চৎ চৎলিবা মখোয়না করিগী কিরিবনো হায়না চীফ মিনিষ্টর বেনর্জিনা কোলকাতাদা ফোঙদোকখি।

# তলব পীদবদগী পৱার ইমপ্লোয়ীশিংনা প্রোটেষ্ট হৌরগনি

শিলোং, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা তলব পীদবগী থৌওং য়ানিংদবা উৎলদুনা মেঘালয়া ইনর্জি কোর্পোরেসন লিমিটেদ (মে ঈ সী এল) না প্রোটেষ্ট কয়া পরিং নাইনা চত্থরক্লগনি হায়না কোওর্দিনেসন কম্মিটি ওফ রেজিষ্টর্দ মে ঈ সী এল ইমপ্লোয়ীস এসোসিএসন এন্দ য়ুনিয়ন্স (সী সী ও আর এম এ য়ু) না ফোঙদোকখ্রে।

ইরাই নুমিত্তা শিলোংদা পাঙথোকখিবা মীটিং অমদা সী সী ও আর এম এ য়ুনা দিসেম্বর ১৫ দগী খোঙজং হৌনবা ৱারেপ লৌখি। মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপ মতুং ইন্না মে ঈ সী এলগী ইমপ্লোয়ীশিংনা দিসেম্বর ১৫ দা পেন দাউন ষ্টাইক তৌগনি হায়না ফোঙদোকখি হায়খি।

মে ঈ সী এল ইমপ্লোয়ীশিং হৌখিবা থা অনী অসি তলব ফঙদনা লাকখি। দিসেম্বর ১৬ অমসুং ১৭ তা সী সী ও আর এম এ য়ুগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা হঙ্গর ষ্টাইক পাঙথোক্কনি। দিসেম্বর ২১ দা ইমপ্লোয়ীশিংনা ওফিসকী মতম হায়বদি অয়ুক পুং ১০ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা মেন্টেনেন্সকী থবক পূম্নমক লেপকনি।

জন্যুৱারী ১২ দা নন ফেক্টরি ৱার্করশিংনা পাক্তক্লনা কেজ্যুএল লিভ লৌগনি অমসুং মখোয়গী দিমান্দ ফঙনবা প্রেসর পীনবগীদমক্তা ষ্টেট সেক্রেটরিএট তম্না খোঙচৎ অমা চৎকনি হায়খি।

জন্যুৱারী ১৮ দা ইমপ্লোয়ীশিংগী ওর্গনাইজেসন অসিনা পিওনদগীনা চীফ এঞ্জিনিয়র ফাওবদা লৈরিবা পূম্নমক্না শরুক য়াদুনা মপুং ফাবা নন-কোওপরেসন মুভমেন্ট হৌগনি। হায়রিবা মতমসি ফাওবদা তলপ পীদবা তারবদি জন্যুৱারী ২২ দগী মপুং ফাবা সর্ভিস সটদাউন অমসুং নন-কোওপরেসনগী ফীভম লৈগনি। মখোয়না শেন্দোল শিংবা ঙমদ্রবা পব্লিক সেক্টর কম্পনিগী সার্ভিসশিং প্রাইভেট প্লেয়রশিংদা শিন্নবগী থৌরাংবুসু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

# নৌনা লোঞ্চ তৌবা রাইজোর দলনা জোর্হাট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি শেমখ্রে

গুৱাহাটি, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
অসামগী নৌনা লোঞ্চ তৌখিবা পার্টি রাইজোর দলনা ইরাই নুমিত্তা পার্টিগী দিষ্ট্রিক্ট কনভেন্সনদা জোর্হাট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং জোর্হাট এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মপুং ফাবা কম্মিটিশিং শেমখ্রে হায়রি।

এদভাইজর অমসু ওইরিবা শক্লাইরবা ফিল্মমেকর জহনু বরুৱা য়াওনা পার্টিগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখিবা জোর্হাট টাউনদা পাঙথোকখিবা কনভেন্সন অদুদা মেম্বর ৫১ গী জোর্হাট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমসুং মেম্বর ৬৩ লৈবা জোর্হাট টাউনদা পাঙথোকখিবা কনভেন্সন অদুদা মেম্বর ৫১ গী জোর্হাট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমসুং মেম্বর ৪৩ লৈবা জোর্হাট এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি কম্মিটি শেমখি।

মেম্বর ৫১ লৈবা জোর্হাট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্টগী ফম দিব্যাজোটি সর্মাহদা শিন্নখি অমসুং দিলিপ কুমার বোর্দোলোইনা ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইহনখি। জেনরেল সেক্রেটরি অহুম হাপখি। মখোয়দুদি সুরজ্য মোহন দাস, পাপোরি গোগোই অমসুং প্রমোদে গোগোইনি।

মশকনাইবা মীওই মঙা দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী এদভাইজরশিং হাপখি। মখোয়দুদি এদভোকেট ভাভা গোস্বামি, থবক্তগী পোত্থারবা প্রোফেসর নিরেন বারুৱা, দ্রমাটিষ্ট বেবাব্রতা মহন্তা, সোসল ৱার্করশিং গনেশ হজারিকা অমসুং মোদিজুর রহমন অসিনি।

মেম্বর ৪৩ লৈবা জোর্হাট এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি কম্মিটিগী প্রসিদেন্টগী ফম অমরিত চেতিয়াদা শিন্নখি, মহেন্দ্র খনিকারনা ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইহনখি। অভিজিট সাইকিয়ানা জেনরেল সেক্রেটরিগী ফম পায়খি অমসুং সেক্রেটরি মরি হাপখি। জোইন্ট এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এদভাইজর মরি লৈ। মখোয়দুদি প্রমোদে মহন্তা, প্রদিপ ভুয়ান, পুলিন দাস অমসুং ভারত বাসুমাটরিনি। দিষ্ট্রিক্ট শিনথুংনা খোঙফম লৈহন্নবগী থৌরাংশিং লাংনবগীদমক্তা হৌখিবা ওক্তোবর ১৮ দা পার্টি অসিনা মেম্বর ১০১ গী কনভিনর কম্মিটি অমা শেমখি।

মীফম অদুনা সী এ এগী মায়োক্তা খোঙফম চেৎনা লেপ্পবা অমসুং কে এম এস এসকী চীফ অখিল গোগোই ফম থাদোক্লবা তকশিন্নবা ৱারেপ লৌখি। পিপলস পার্টি হায়নসু খঙনবা রাইজোর দল অসি জি জে পি অমসুং কোংগ্রেসপু পৱার পায়হন্দনবগী পান্দমগা লোয়নন্না লৌমীশিংগী বোদি কৃশক মুক্তি সঙ্গ্রম সম্মিটিনা লুচিংবা ওর্গনাইজেসন ৭০ না খূৎশম্নরগা হৌখিবা ওক্তোবরগী অঙনবা শরুক্তা শেমখিবনি।

# ঙম্লবদি লৈবাক শিন থুংনা ষণ হাৎপা থিংঊ হায়না বি জে পিদা শীংনখ্রে

বেঙ্গলুরু, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
ষ্টেট খরা খন্দোক্লগা ষণ হাৎপা থিংদুনা মচিন অনী লোংবা ফীরেপ উৎপগী মহুত্তা ষণশা মপান্দা থাদোকপা মপুং ফানা থিংনবগী খোঙথাংশিং লৌখত্তুনা ষণ কন্নবগী অশেংবা ফীরেপ লৈ হায়বদু প্রভ তৌ হায়না ইরাই নুমিত্তা কর্নাতাকা কোংগ্রেসকী লিদরশিংনা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী লিদরশিংদা শীংনখ্রে হায়রি।

বেঙ্গলুরুদা অপুনবা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা ওপোজিসনগী লুচিংবা সিদারামাইয়ানা হায়খি মদুদি ষণ হাৎপা থিংবগুম্বা ৱাফমশিংগী মতাংদা বি জে পিনা মচিন অনী লোংদবা চপ চাবা ফিরেপ অমা উৎকন্দবনি। ষণ হাৎপা থিংনবগী মতাংদা বি জে পিনা ষ্টেট অসিদা লৌরিবা ফিরেপ অসি পার্টি অসিনা গোৱা ষ্টেটতা লৌরিবা ফিরেপকা মপুং ফানা তায়োন্নৈ।

বি জে পিনা লৈবাক শিনথুংনা চপ মান্নবা ফিরেপ অমা লৌবগী থৌওং উৎলবদি কোংগ্রেস পার্টিনা মদুদা য়েৎকদবা লৈতে। ষণশা থাদোকপা মপুং ফানা থিংবদা কনানা থিংগদৌরিবনো হায়না সিদারামাইয়ানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, লৈবাক অসিদা ষণশা মপাল্লমদা থাদোকপগী থবক চাওনা তৌরিবশিংগী মনুংদা বি জে পিগী সপোর্টর কয়া য়াওরি। মরম অদুনা বি জে পিনা ইশ্যু অসিদা অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌবা লৈতে।

নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা মখোয়না ৱাথোক ওইনিঙাই ওইবা বিল অনী পাস তৌগনি হায়না লাউথোকখিবা অসিনা থা অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা তাঙ্কক অনীগী গ্রাম পঞ্চায়ট মীখলদা মখোয়না মীয়ামগী পুক্নিংদা ঈথিল পীনবা হোৎনৈ হায়বসি উৎলে।

শক্লাইরবা হিন্দু লাইনিংবা স্বামি স্বারুপানন্দ সরাস্বটিগী ৱাহৈশিং পল্লদুনা সিদারামাইয়ানা হায়খি, ষণশা মপাল্লমদা থাদোকপা হায়বসি কুমজা ২০১৪ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পৱার পায়রকখিবা মতুংদা উরকখি।

মরম অদুনা ষণশা থাদোকপা থিংবগী পোলিসি অসি অখন্নবা ষ্টেট খরখক্তা নত্তনা লৈবাক শিন থুংনা চৎনহন্নবা ঐহাক্না দিমান্দ তৌরি। বি জে পিনা অসিগুম্বা লোশিং ষ্টেট খরা খন্দোক্লগা চৎনহল্লক্লিবসি ঙক্লিঙাই ওই। গোৱাদা মখোয়গী পার্টিনা পৱার পায়রিবা ওইরবসু ষণশা থাদোকপা থিংবগী মতাংদা ৱাহৈ অমফাওবা হায়দে।

মসিগী ওন্ন তৈনবদা কর্নাতাকাদনা মখোয়না সাইন্টিফিক ওইদবা অকনবা লৌশিং পুথোক্তুনা চৎনহন্নবা হোৎনরি। অসিগুম্বা মচিন অনী লোংবা পোলিসি অসি য়ানিংদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০১২-১৩ চহীদা ষণশা থাদোকপগী চাং টন লাক্ষ ১০.৭৮ ওইখি অমসুং কুমজা ২০১৪-১৫ চহীদা টন লাক্ষ ১৪.৭৫ দা হেনগৎখি। মতুং চহী অহুমদনা টন লাক্ষ ১৩ গা খরদগী হেনখিদে।

বি জে পিনা ষণশা থাদোকপা থিংবা ঙমদবগী মরমদি নাকল অমদা এক্সপোর্টকী পার্মিসন পীদুনা শেংদাং তান্নবা পুক্নিং থৌগৎপা অদুগা অতোপ্পা নাকল অমদনা ৱাখল মমুৎ তানা খন্থদনা অসিগুম্বা লোশিং চৎনহনবদগীনি।

অসিগুমবা খোঙথাংশিং অসিনা পীরক্কদবা চৈথেংশিং য়েংশিনহৌদবা তারবদি শেল থুমগী প্রোব্লেমশিং থবক ফঙদবগী প্রোব্লেম লাকপগা লোয়নন্না লৌমীশিংনা অৱাবা চাওনা নংগনি।

রুল্লিং বি জে পি কর্নাতাকানা প্রিভেন্সন ওফ স্লাউটর এন্দ প্রিজর্ভেসন ওফ কেষ্টল বিল ২০২০ হাথু হাথু পুথোক্তুনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা এসেমব্লিনা পাস তৌখি। রুল্লিং পার্টিগী থৌওং অদুবু ওপোজিসন কোংগ্রেসনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়নন্না লেজিসলেচর সেসনগী লেমহৌরিবা শরুক বোইকোট তৌখি হায়রি।

# ফাখিবা মীওইশিং বাংলাদেশতা পুরক্লগনিঃ ত্রিপুরা পুলিস



অগর্তালা, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
ইন্দো-বাংলাদেশ বোর্দরদা কিদনেপ তৌখিবা ৱার্কর অহুম কন্ননবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কোম্বিং ওপরেসন লেপ্তুনা চত্থরিঙৈদা মীওইশিং অদু টেররিষ্টশিংনা য়ুমথংনরিবা লৈবাক্তা পুরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈ হায়না পুলিস অমসুং বি এস এফকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ত্রিপুরা পুলিসকী এদিস্নেল দিরেক্টর জেনরেল (লো এন্দ ওর্দর) রাজিভ সিংহনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, মমাংদা অপিকপা ত্রেদর অমা ফাখিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা ইন্টরনেস্নেল বোর্দরদা শম্বল খাবগী থবক তৌরিঙৈদা ফাখিবা ৱার্কর অহুম কন্ননবা ঐখোয়না হোৎনবা য়াবা খুদিংমক হোৎনরি। ঐখোয়না অসাম অমসুং মীজোরামগী ওথোরিটিশিংদা মখোয়গী লমশিংদা থী হুমদুনা টেররিষ্টশিংগী লোৎফম নৎত্রগা মখোয়না ফারকপা মীওইশিং লৈব্রা হায়বদু খঙদোক্লবা হায়জখ্রে।

বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সকী সিনিয়র ওফিসল অমদা ফোঙদোকখিবদা, কিদনেপ তৌখিবা ৱার্করশিং অদু কদাইদা লৈরি হায়বা খঙনবা মখোয়গী এরিয়াশিংদা থি হুম্নবা হায়জখ্রে।

সুপরভাইজর সুভাস ভাউমিক, জে সী বি দ্রাইভর সুবাল দেবনাথ অমসুং ৱার্কর গনাপটি ত্রিপুরা হায়রিবা মীওই অহুম অসি নেস্নেল লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরা (এন এল এফ টি) গী মিলিটেন্টশিংনি হায়না চীংনবশিংনা থা অসিগী তরেৎতা ত্রিপুরাগী নোংপোক থংবা ধালাই দিষ্ট্রিক্টতগী কিদনেপ তৌখিবনি। ট্রাইবেল গুরিলশিংদু ফাননবা অমসুং মীওই অহুম অদু কন্ননবগীদমক্তা সিনিয়র ওফিসলশিংনা লুচিংবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী অচৌবা কোম্বিং ওপরেসন লেপ্তুনা চত্থরকখি। মী ফাবগী কেস অনীগা মরী লৈননা মীওই মরি ফাখি।

ক্রাইম অমসুং নারোন্দগী চঙলকপা কন্ট্রোল তৌনবা ইন্টরনেস্নেল বোর্দরদা বার্বদ ৱায়র শম্বল খাবগী থবক নেস্নেল বিল্ডিং কন্সত্রক্সন কোর্পোরেসনদা শিন্নখি। নবেম্বর ২৭ তা লিতাননাথ কৌবা মশাগী চহী ৩৫ শুরবা ত্রেদর মচা অমা ত্রিপুরা মীজোরাম ইন্টরষ্টেট বোর্দরদা লৈবা ত্রিপুরাগী মনুং হঞ্জিনবা জয়রামপারা ভিলেজদগী ফাখি হায়রি।

# গুজরাট গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংদা কম্পেন্সেসন পীরগনি



গান্ধীনগর, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
গুজরাটতা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মতমগা চানদনা নোং চুখিবদা অমাং অতা থোকখিবা মহৈ-মরোংশিংগী সর্ভে অমা থুনা পাঙথোক্তুনা লৌমীশিংদা কম্পেন্সেসন পীরগনি হায়না গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর ভিজয় রুপানিনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর রুপানিনা হায়খি, মতম চাদনা নোং চুবদগী মহৈ মরোংশিংদা অমাং অতা থোকখিবা মফমশিংগী সর্ভে পাঙথোক্লগনি অমসুং সর্ভে অদুগী মতুং ইন্না চৈথেং নংলবা লৌমীশিংদা কম্পেন্সেসন য়েন্থোক্লগনি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক মখা তানা ষ্টেট অসিগী নোং চীংগী ফীভম ফত্তবনা সর্ভে অদু নুমিৎ খরনি লৈরগা পাঙথোক্কনি।

গুজরাটকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মতম চাদনা নোং চুবদগী হৌজিক হৌজিক হৌরিবা মহৈ মরোংশিংদা অমাং অতা চাওনা থোকহনখি। সোর্ছশিংগী মতুং ইন্না, মতম চাদনা নোং চুবা অদুনা লৈবাকহৱাই, জীরা অমসুং লশিং পাম্বীশিং পাক্তক্লনা মাং তাকহনখি হায়রি।

তোঙান তোঙানবা ৱেদর সিষ্টেম কয়ানা হৌজিক হৌরিবা মহৈ মরোং পাম্বীশিংদা অমাং অতা থোকহনবদা নত্তনা এগ্রীকলচরেল প্রদ্যুস মার্কেটিং কম্মিটি (এ পি এম সী) শিংনা কন্ট্রোল তৌবা অরোকপা মহৈ মরোংশিংদসু শোকহনখি।

শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংদগী ষ্টেট অসিগী তালুক (টেহসিল) ৭৫ হেনবদা মতম চাদনা নোং চুরকখি হায়বসি ষ্টেট ইমরজেন্সি ওপরেসন সেন্তরনা উৎখি।

ইন্দিয়া মিটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি) না দিসেম্বর ১০ অমসুং ১৪ গী মনুংদা সৌরাষ্ট্রা অমসুং সাউথ গুজরাটতা নোং চুগনি হায়না প্রিদিক্সন পীখ্রবনি।

শগোলশেন অমসুং ইরাইদা অমরেলি, ভেরাভাল, জুনুগাদ, ভাভনগর, অহমেদবাদ, বারোদা, গান্ধীনগর, ভালসাদ অমসুং সুরাটতা নোং চুখি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মতম চাদনা নোং চুবদগী অমাং অতা থোক্লিবশিং অদু খঙদোক্লগা লৌমীশিংদা কম্পেন্সেস পীননবা ওপোজিসন কোংগ্রেস অমসুং লৌমীশিংনা দিমান্দ তৌখিবনি।